HUEIYEN LANPAO

সেল্টর হোমদা লৈবা অঙাংশিংবু থৌগৎপীয়ু: ডা. সী ঐচ ওকেন

জিরিবাম, দিসেম্বর ১৩ (ঐচএন এস): ঙসি জিরিবামগী য়ুন্যিক সোসাইটি (য়ু এস), দিবোংগী ২শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা জিরিবামগী চীংদোং লৈকায়দা লৈবা গুলামচাৎ ওপন সেল্টর হোম ফোর বোইজ অমদি গুলামচাৎ চিলড্রেন হোম ফোর মেন্টল ইলনেস গর্লসতা লৈবা অঙাংশিংগীদমক অঙম-অঙম্বা মতেং পাংখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ডা. সী ঐচ ওকেন প্রসিদেন্ট য়ু এস, পি ঐচ গ্যানেন্দ্রো মৈতৈ সেক্রেটরি য়ু এস অমদি সোসাইটি অসিগী মেম্বর ৮না শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ডা. সী ঐচ ওকেননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি য়ুন্যিক সোসাইটিগী ২শুবা ফাউন্দেসন দেগী মরী লৈননা হোম অসিদা লৈরিবা অঙাংশিং অসিগী নোংমগী চংবা চানা-থক্নবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবামদা লৈরিবা ক্লবশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা এন জি ওশিংনা সেল্টর হোম অসিগী অঙাংশিংবু থৌগৎপীবা ওইনা অঙম-অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু অমদি সেল্টর হোম অনি অসিনা খুদোং চাদবা অমদি মতেং নীরকপা মতমদা য়ুন্যিক সোসাইটিনা মতম পুম্নবদা থোঙ লাউনা হাংদুনা ঐখোয়না অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100

FIRE SERVICE

Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	AGARTALA
Air Asia (India)	15:50
IMPHAL →	DELHI
Air Asia (India)	13:45
IndiGO	14:30
IMPHAL →	GUWAHATI
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
IndiGO	14:15
Air India	14:20
IMPHAL →	KOLKATA
Air India	13:25
Air India	15:00
Air India	16:45

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.120495
US Dollar	70.798238
British Pound	94.854413
Australian Dollar	48.941395
Chinese Yuan Renminbi	10.141956
Japanese Yen	0.645566
Malaysian Ringgit	17.122887
Australian Dollar	48.941395
Singapore Dollar	52.350367
South Korean Won	0.060349
Saudi Arabian Riyal	18.879530
Thai Baht	2.345201
Myanmar Kyat	0.04694
Bangladesh Taka	0.83569

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38406.42
Mumbai	–	Rs	39251.34
Delhi	–	Rs	39197.86
Kolkata	–	Rs	39561.50

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 09/10/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing: 07.30 am to 11.00 am

HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 09/11/2019
Valid From: 07/11/2019
Stk : 612

KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 22/09/2019
Valid From: 16/09/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.00 am

HEIROK INDANE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 18/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am

MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No. : 2001 – 2400
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 21/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am

R & H, IRILBUNG
Booking Upto: 19/10/2019
Valid From: 09/10/2019
Stk : 612
Timing: 08.00 am to 11.00 am

RBD INDANE
Booking Upto: 22/10/2019
Valid From: 15/10/2019
Stk : 612 (Only CTC)
Timing: 07.00 am to 10.30 am

J RONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking Upto: 20/10/2019
Valid From: 19/10/2019
Stk : 306
Timing: 06.30 am to 09.30 am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto: 06/11/2019
Valid From: 02/11/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

‘য়ু এন সীনা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেল নুংশিনদনবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী)না মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিং নুংশিনদনবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি হায়না জে লিয়াংরোং সিভিল ওর্গনাইজেসনননা ফোঙদোরক্লি।

জেলিয়াংরোং বাওদি, জে লিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট অমদি জে লিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দিসেম্বর ১৭তা য়ু এন সীনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমদি মণিপুরগী অতৈ নাগা তাবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পব্লিক রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরিবা অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। পোলিটিকেল গ্রুপ মশীং য়াম্মনখিবনা নাগাশিং মতম শাংনা অৱাবা চৈথেং ফংদুনা লাক্লি। করিগুম্বা মতমদা পোলিটিকেল গ্রুপ মশেল হুন্নদুনা লাকখিবগী চৈথেং মীচম মীয়াম্না ফংলি। তোঙান-তোঙানবা গ্রুপশিংনা মোৎ মান্নবা ঙমদবনা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙখিবনি হায়বা য়ু এন সীনা নীংশিংবা চুম্মী হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা বি জে পি লৈঙাক্ল। নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লিঙৈগী চৈরক অসিদা নাগা মীয়াম্মা মোৎ মান্নবা ঙমদ্রবদি খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বা খোঙথাং ওইগনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তোঙান-তোঙানবা নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগা ৱারী শানদুনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা শেম শাবা লোইখ্রে। তানফম অসিদা য়ু এন সীনা নাগা মীয়ামগী অপূনবা শক্তম উৎনবগীদমক পব্লিক রেল্লি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলক্লবদি অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দগী নাগা পুম্নমক্নসু চপ মান্নবা মওংদা পব্লিক রেল্লি নৎত্রগা মান্নবা মখলগী খোঙথাং লৌখৎলকপা য়াই। ফীভম অসিদা য়ু এন সীনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ মশেল নুংশিনদনবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি হায়নসু জে লিয়াংরোং সিভিল ওর্গনাইজেসনগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবালদা অমুক্কা হন্না মাও কৈথেল শিনবীয়ু: মাও ভেন্দর

থৌবাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): চীংমী অমদি তম্মী অনিগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী পুরক্নবা অচৌবা থৌদাং অমা ওইগদৌরিবা মাও কৈথেল ঙসি কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ইম্ফাল-মাও মার্কেট অমদি মণিপুর সেন্টিনেল কাউন্সিলনা শিন্দুনা থৌবাল ৱাংমতাবাদা লৈবা য়াসটা গ্রাউন্দদা ফমখি।

য়াসটা, পি এফ এ মণিপুর, এস আর য়ু থৌবাল, সলাই কনবা লূপ, টি আর সী সী থৌবালনসু মতেং পাংদুনা শিনখিবা ঙসিগী মাও কৈথেল অদুদা মাওদগী লাকপা মীওই ৬৩না তোঙান-তোঙানবা ভেন্দর ৩৫ ফমখি। মদুদা পোৎ লৈবা লাকপা মীয়াম্না ঙসিগী অসিগুম্লবা থৌরম অসি য়াম্না হরাওজবগী অপেনবা ফোঙদোকপা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরকখি। মণিপুর সেন্টিনেল কাউন্সিলগী কনভিনর দীপক হোদামনা হায়, চীংমী অমদি তম্মী অনিগী মরক্তা লৈরিবা নুংশিনবগী মরী অসি হেন্না চেৎশিনবা ঙম্নবা ঙসিগী থৌরম অসি শিনবনি হায়না ফোঙদোরকখি। থৌবাল পুলিস অমদি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল য়াওনা মতেং পাংবীরকপগীদমক অপেনবসু ফোঙদোরকখি।

মাও ভেন্দরগী প্রসিদেন্ট কাপৈনিনা ফোঙদোরকপদা, ঙসি তম্পাক্কী মীয়াম্না মাওদগী লাকপা পোৎ য়োঞ্জরিবা মীয়ামবু তরাম্না ওকপীবা অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদগী লৈরম্বা মীয়াম্না হরাউ-হরাউনা মীনুংশি উৎপীরকপা অসি থোয়দোক্না হেন্না নুংঙাইবা ফাওজে। হৌজিক ফাওবদা তম্পাক্কী মফম ৪৫ হেনবদা মাও কৈথেল ফমখ্রে। ঙসি থৌবালগী মীয়াম অমদি শিনবী লাংবীরিবা খুদিংনা মাও মীয়ামদা উৎপীরকপা হোস্পিটালিটি অসি কৈদৌঙৈদা কাওবা ঙম্লোই। অমুক্কা হন্না থৌবালদা মাও কৈথেল শিনবীরবদি হেন্না অপেনবা পোক্কনি হায়না ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ৱাঙু, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা অমদি মফম কয়াদা পাঙথোক্নরিবা ৮০শুবা নুপীলাল থৌরমগা লোয়ননা ওল ৱাঙু সিনিয়র সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ৱাঙু দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুত ওফ মেদিকেল সাইন্স, জেনিমস ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (জে এস এ)গা পূন্না খুৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙু লাইফম কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর ৱাঙুদা পাঙথোকখ্রে।

অনাবা মীওই ৪৫০ রোমদা এম দি ডোক্টর ২০ অমদি এম বি বি এস তল্লিবা ডোক্টর ২০না পূন্না তোঙান-তোঙানবা মখলগী লায়নাশিং মেদিকেল, গাইনেকোলোজি, ওর্থোপেদিকনচিংবশিং লায়েংখিবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না ফংহনখি।

ওল ৱাঙু সিনিয়র সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল খেলচন্দ্রনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোরকপদা, মরুওইনা লমদম অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবা কয়াবু ইম্ফাল তম্না লায়েংবা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অদুদগী খরতা ওইরবসু কনবা ঙম্নবা অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিবু নাদা য়েক্টনা মশা-মউ ফানা লৈনবগী পান্দমদা হায়রিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অসি জেনিমসকা পূল্লগা পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

অসাম, মেঘালয়া অমসুং ত্রিপুরাদা...

লামায় ১গী মখা... খোঙজং চঙশিনখিগনি। চৈরকসিদা অসামগী নাহারকাটিয়া রেলৱে ষ্টেসনদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম্না সিলচরদগী দিব্রুগর তম্না চেনবা ব্রহ্মপুত্রা এক্সপ্রেস ট্রেন মৈ থানবা থৌরাং তৌরকপদা আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসনা মতম চানা কনবা ঙমখ্রে।

কনফিদরেসন ওফ মেঘালায়া সোসল ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখিবগা লোয়ননা জোৱাইদা লৈবা মেঘালায়া ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী ওফিস বিল্ডিং মৈ থাখ্রে। পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পুনা মীয়াম তানখায়বদা মীওই ৬৩ শোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, সী এ বি পাস তৌবা য়ানিংদে অমসুং মেঘালায়াদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম চৎনহনগদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউরদুনা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মহৈরোয়শিংনা বতচর রোদ, রাইনো পোইন্ট, সিভিল হোস্পিটাল, আই জি আই পোইন্ট অমদি সেক্রেটরিয়েটকী পার্কিং তম্না লাক্লগা রাজ ভৱন তম্না চঙলকখি।

মেঘালায়া রেসিদেন্টস সেফটি এন্দ সিক্যুরিটি এক্ট ২০১৯দা গভর্নরগী এসেন্ট পীগদবনি হায়না খোল্লাউ কয়া লাউখিবা মহৈরোয়শিংনা রাজ ভৱনগী গেট নমখায়নবা হোৎনরুব্বদগী পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্পুনা মহৈরোয়শিংবু তানখায়খি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মেঘালায়া পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী)না পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা সব ইন্সপেক্টরগী ফম খরা লৌনবগী স্ক্রিনিং টেষ্ট য়ৈথোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা য়াওবা ফন্দামেন্টেল রাইটস খোঙ্গাওনরে হায়না মরাল শীরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন মুস্লিম লীগ (আই য়ু এম এল)না পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

নাকল অমরোমদা, সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা পার্লিয়ামেন্ট হাউস তম্না খোঙচৎ অমা চৎখিবা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াগী মহৈরোয়শিং পুলিসনা চৈনা কন্দুনা তানখায়খি।

মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটিগী গেট লাম্থোক্লগা পার্লিয়ামেন্ট হাউস তম্না লাক্নবা থৌরাং তৌরকপদা পুলিসনা অথিংবা পীরুব্বদগী নাকল অনি অঙম তান্নরকখি। পুলিসনা মহৈরোয়শিং তানখায়নবা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপ্পগা লোয়ননা লাথি চার্জ তৌখি। মহৈরোয়শিংনসু পুলিস তম্না নুঙ লংশিনখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা অনীশুবা বরাক...

লামায় ১গী মখা... লৌরকপা মরম্না সিরুই ফেষ্টিভেলদা মী তিনবগী চাংচহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অসাম অমদি অতৈ য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট খরদা মীয়াম্না সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা অসাম য়াওনা য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট পুম্নমক্তা ঈং-তপ্পা ফিভম হঞ্জিল্লকপা ওইরসনু। অসাম একোর্দ ১৯৮৫ গী ক্লোজ ৬ তা য়াওবা ৱারোলশিংগী মতুংইন্না অসামি মীয়ামগী রাইট মপুং ফানা ঙাক্কনি হায়বা ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মাঙজৌননা লাউথোকপা লৈখ্রে।

মণিপুরগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, সী এ বিগী প্রোভিজনশিং চৎনহন্দনবা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লকপগীদমক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট শাহবু থাগৎফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং মিনিষ্টর এল দিখোনা প্রসিদেন্ট ওইখিবা থৌরম অদুদা টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন ডা. এস রঞ্জন, সাইতু এ সী এম এল এ ঙমথং হাওকিপ, এ দি সী সেনাপতিগী চ্যেরমেন এ কপানি, হান্নগী এম এল এ ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, অলেকজেন্দর পাউ অমদি এস পি হেনরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর) এম ঐচ খান, টুরিজম সেক্রেটরি নিধি কেসরৱানি, সেনাপতি দি সী সোমোর্জিৎ সলাম অমদি টুরিজম দিরেক্টর দব্লিয়ু ইবোহলসু শরুক য়াখি। বরাক ফেষ্টিভেল সেন্ট্রেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি অমসুং ষ্টেট টুরিজম দিপার্টমেন্টনা খুৎশম্নরগা শীনখিবা ফেষ্টিভেল অদুদা মিস বরাক কন্টেষ্ট, বরাক ভোইস হন্ট, ট্রেদিসনেল রেষ্টলিং, ট্রেদিসনেল কার রেস, ম্যুজিকেল নাইট অমদি নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা হয়েং ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ঙসি নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা)না পীরকখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না হয়েং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কদৌরি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিদা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরকখিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী কেসশিং দিস্পোজ তৌননবা হোৎনবগা লোয়ননা প্রি-লিটিগেসন মেটরশিং ওইরিবা বেঙ্ককী লোন রিকোভরিনচিংবগী মেটরশিং দিস্পোজ তৌগনি হায়রি। লোয়ননা নেসনল লোক অদালট অসি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

আই এল পি চৎনবগী নুংঙাইবদু মণিপুর মীয়ামদা অথুবদা ফংহনবীয়ু : জয় চিঙাখম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনবগী নুংঙাইবদু অথুবদা ফংহনবীয়ু হায়না হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুরগী চ্যেরমেন জয় চিঙাখমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জয় চিঙাখমনা হায়খি, আই এল পিগী ঈহৌ অসি মীয়ামগী অচৌবা খুদোলনি। চহী ২০ হেন্না তানদুনা লাকপনি। মীওই কয়া অশোক-অপন নংদুনা শোয়নাইবা য়াওরি। সাপম রোবিনহুদ লৈখিদ্রবনি। সী এ বিগী মতাংদা চিংনরম্বা কয়া অদুসু কোক্লে হায়না লৌই। মেঘালয়া, অসাম অমসুং ত্রিপুরাগুম্বদদি খরা লৈরি। ফুল ফ্লেজেদ ওইনা মণিপুরগী পীবদা থাগৎপা ফোঙদোকই। আই এল পি চৎনরবনিনা অথুবদা রেগ্যুলেট তৌবীরো। মণিপুরগী চেক পোইন্ট ময়াম লৈরি। মাও, জিরিবাম, জেসামি, মোরে, চুড়াচান্দপুরদা লৈরিবা চেক পোষ্টশিং অসি থবক পায়খৎপীরো। চেক পোষ্টতা লৈরিবশিংনা থম্মোয় শেংনা ইরমদমগী অমদি য়েলহৌমী কন্নবগী খোঙথাং পায়খৎপীয়ু। নারোন্দা চঙলকপশিংদগী ঙাকথোকপা মতম ওইরে। হান্নদগী চঙদুনা লাকখ্রবা লাখ ৭ কী মথক্তা লৈখ্রবনি। জে সী আই এল পি হায়না শেমদুনা তক্নদুনা লাকপনি। মসিদা স্কোলার অমদি অখণ্ড-অহৈ কয়া তানদুনা অচৌবা ভোল্যুম অমা শেম্বা অমদি লৈঙাক্তা পীশিনবা লৈখ্রবনি। মীয়ামগী অপাম্বশিং য়াওরিবনি। বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসনগী ৱাফম য়াওরি। আই এল পি চৎনবা ষ্টেটতা সী এ বি লৈরোই হায়রি।

অসামদা মীওই অহুম লৈখিদবসি নুংঙাইতবা ফাওই। নোর্থ ইষ্টকী অপূনবা শাগৎলকপদা শরুক য়াগনি। মণিপুরগীসু মেনপেক অমসুং জে সী আই এল পি এসনা মতম মতমগী লৌরকপা খোঙথাংদা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরনা শরুক য়াগনি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনবগী হরাও-নুংঙাইবা অসিদা মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জেনরেল সেক্রেটরি রতন কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি: এ রাজিব

জিরিবাম, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ঙসি জিরিবামদা লৈবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদেরেসন (এম এস এফ) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী ওফিসতা এম এস এফকী থৌমী পুলিসনা ফাজিনখিবগী মতাংদা পাউগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এম এস এফ জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরি রতন কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়খি।

মীফম অদুদা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এ রাজিব, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম এস এফ সবির অহমদ, ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি এম এস এফ দব্লিয়ু সুর্জিৎ, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম এস এফ এ লনচেনবা মৈতৈ অমদি এক্সটর্নেল এফ্যিরস কে মালেমঙানবানা শরুক য়াখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা এম এস এফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এ রাজিবনা ফোঙদোকখিবদা, এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরি অহৈবম রতনবু হৌখিবা দিসেম্বর ১০দা জিরিবাম পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা হকচিন্না লৌই অমদি কন্দেম তৌই হায়খি। এম এস এফনা হিংশাগী ওইবা থবক থৌরম অমৎতা চংশিনখিবা লৈরে মরম অদুনা এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী থৌমী ফাজিনখিবা অসি মরম চাদে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুদা হায় মদুদি, এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী জেনরেল সেক্রেটরিবু অথুবা মতমদা কন্দিসন অমৎতা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোরক্তবা তারগদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা জিরিবামগী কদমতলাদা লৈবা জিরি কোলেজকী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা য়ুনিয়নগী অমদি মহৈরোয় লূপশিংগী থৌমী জিরি পুলিসনা ফাজিনখিবা অদুগা মরী লৈননা পাউগী মীফম অমা ফমখি।

ঙসিগী পাউগী মীফম মদুগা মরী লৈননা জিরি কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী গেমস এন্দ স্পোর্টসকী থৌ পুরিবা এ চীংখৈঙানবানা ফোঙদোকফিবদা, য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি মহৈরোয় ৫গা লোয়ননা পূন্না মীওই ৬ জিরিবাম পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু হকচিন্না লৌই অমসুং কন্দেম তৌই। অথুবা মতমদা জিরিবামদগী ফাখিবা মহৈরোয়শিং অসি কন্দিসন অমৎতা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোরক্তবা তারগদি য়ুনিয়ন অসিনা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

টি বাইচোংগী য়ুম মৈ চাকখ্রবা ইমুংগী মীওইশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সদর হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী টিম অমনা ঙসি থা অসিগী ৪গী অয়ুক্তা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা টি বাইচোং সব-দিভিজনল হেদ ক্বার্টরদা লৈবা য়ুমশিং মৈ চাকখ্রবা ইমুংগী মীওইশিংদা তেংবাং পোৎলমশিং পীখ্রে।

এ দি সী সদর হিলসকী টিম অদু চ্যেরমেন হাওখোলাল হংসিংনা লুচিংখিবনি। টিম অদুদা বি জে পি সাইতু মন্দল অমসুং কাংপোকপী মন্দলগী লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল অসিগী ভাইস চ্যেরমেন থাংজাকম মিসাও, এগজিক্যুটিভ মেম্বর লমখোলেন কিপগেন অমদি মেম্বরশিংদা লুনথাং হাওকিপ, থাংকম লুফেং অমসুং স্পোক্স পর্সন দিংলার চিরু, সাগর গেৱালি অমদি সৈলেন লৌজেমনচিংবসু শরুক য়াখি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুবু মায়োক্নখিবা ইমুংগী মীওইশিংদা চেঙ বেগ ২/২ গা লোয়ননা ব্লাঙ্কেট অমমম খুৎশিন্নখি। থৌদোক অসিবু মায়োক্নখিবা ইমুং ৫ গী তুজাং বাইচোং হায় স্কুলদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় ১৪ গী লাইরিক, নোট বুক অমসুং ফিরোল য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মৈ চাকপা অদুদা য়াওখিবনি।

এ দি সীগী টিম অদুনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুবু মায়োক্নহৌরিবা ইমুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখল শোন্থদনা লৈনবা থৌনা হাপখি।

ঙসিগী তেংবাং পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা খুল অসিগী চীফ লুনখোহেন কিপগেননা হৱাই বেগ অমসু খুৎশিন্নখি। মসি ফায়র ভিক্টিমশিং অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী কোওপরেসন অমসুং সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা পীরকখিবনি হায়খি।

অমরোমদা, এ দি সী সদর হিলসকী কাঙবু অসিনা তুজাং বাইচোংগী প্রাইমারী হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী)দা সপ্রাইজ ভিজিট অমসু তৌখি। মসিদা লায়েংশঙ অসিগী লৈফম থোকপা ষ্টাফশিং লৈরমদবা থেংনরকখি। পি ঐচ সী অসিগীদমক ডোক্তর ৩ লৈগদবদা শুপ্নতগী নর্স অমখক্তংনা মথৌ তৌরম্বা থেংনরকখি হায়রি। লায়েংশঙ অসিদা ওইরম্লিবা ফীভম অসিদা এ দি সীগী টিম অদুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেন্টর অসিগী ষ্টাফশিংনা মফম অসিগী মীয়ামগী অনা-লায়েংগী থবক্তা পূক্নিং চঙনা পাঙথোক্লুবা আপিল তৌখি।

আই এল পি চৎনরকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি : কম্মিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): আই এল পি চৎনবা ষ্টেট অমা ওইরকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। নিংথম মীফমদা ষ্টেটকী ওইনা তৌফম থোকপা প্রোসিদ্যুরশিং এদোপ তৌবীয়ু হায়না আই এল পি দিমান্দ কম্মিটি, কংলৈপাক্কী চ্যেরমেন ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০১২ দা জে সী আই এল পি এস শেমদ্রিঙৈ মমাঙদা আই এল পি দিমান্দ কম্মিটিনা আই এল পিগী এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন কয়া চথখি। মেমোরেন্দম কয়াসু লৈঙাক্তা পীশিন্দুনা লাকখি। ফ্রেন্দস হৌজিক্না ইপাক অমদি সী এস ও ৮ না সী এমগী পূক্নিং চিংশিল্লি। য়েলহৌমী কন্নবা আই এল পি লৈহন্নবগীদমক চঙশিল্লকপা ঈহৌ লৈরিঙৈদা আই এল পি লৈবা ষ্টেট ওইরগনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা লোক সভাদা লাউথোকখি। ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা থা অসিগী ১১ দা গেজেট নোটিফিকেসন থোকখি। মসিগীদমক হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন অসি মণিপুরদা চৎনরবনিনা য়েলহৌমী ওইবা ফুরুপশিং কঞ্জবা ঙম্লগনি। আই এল পি চৎনবা ষ্টেট ওইরবনিনা আই এল পিগী দিপার্টমেন্ট হাংবা, ইমিগ্রেসন ওফিস বোর্দরদা লৈবা অমদি চেক পোষ্টশিং থম্বা চঙলি। রেগ্যুলেসন অসিগী মখাদা থম্বগা লোয়ননা পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংবনচিংবা লাক্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

পীক্লিবী নুপীমচা অমদা সেক্সুএল...

লামায় ১গী মখা... অসিনা ঙরাং নুংথিল পুং ২.১০ রোম তারকপদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা সরেন্দর তৌরবদগী কেস অসিগা মরী লৈননা ফাজিনবনি হায়রি।

মহাকপু ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (পোক্সো) গী কোর্টতা ঙসিদগীনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা নুমীৎ মরিনিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবনি। মসিদা কোর্টনা অয়াবা পীদুনা মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মায়কৈদগী ভিক্টিম ওইরিবী নুপীমচা অসি চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী) ইম্ফাল ৱেষ্টতা পুথোকখিবগা লোয়ননা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা মেদিকেল এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক অহল অসিনা মতৌ করম্না সেক্সুএল এসোল্ট তৌখিবনো হায়বদুগী মতাংদা চপ চাবা খঙদোক্নবা এক্যুইজ অসিবু পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখিবনি হায়রি।

সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক হেক...

লামায় ১গী মখা... শানদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা তাল্লিবা দিমান্দশিং অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনদুনা লমদমসিদা লৈরিবা প্রোব্লেমশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনমিন্নসি। নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমদি মণিপুরদা চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক অখন্নবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎপা হৌরবনি। চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক নরেন্দ্র মোদিনা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টরবুসু মণিপুরদা পুদুনা লাক্কদৌরিবনি। সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা মণিপুরদা শোক্লক্কদবা ৱাফম অমত্তা লৈতে। ৱাফম খরদা ৱাখল তান্নদবা লৈবদগী অসাম অমসুং ত্রিপুরাদা ঈৱাং থোকপনি। অদুবু অথুবা মতমদা ফরগনি। মণিপুরদা আই এল পি লাকপা অসি মণিপুর মীয়াম্না অৱাবা কয়া খাঙদুনা হোৎনখিবা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী হোৎনজমলগী মহয়নি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহন্ননবা হোৎনবদা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ ওইরিবা রাম মাধবকী চাওরবা মতেং য়াওই। আই এল পি ফংলকপা অসি তরাই-তরাইবা পোৎশক অমদি নত্তে। থৱায় থাবা ফাওবা য়াওখ্রবা মতুংদা ফংলকখিবনি। ঙসিদি য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা, মীতোপ্পুগী ঙাকথোক্লুবা আই এল পিসু চৎনরবনিনা লমদম অসিবু চাউখৎননবা লম্বীরোমদা চঙশিনমিন্নরসি। অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মণিপুরবু ঈৱাং য়াম্না থোক্কনবা মফম অমা ওইরে। মরম অদুনা লমদম অসিদা লম কোয়বা লাক্লিংদ্রে, অচৌবা কম্পেনিশিং চঙনিংদ্রে অমদি ইনভেষ্ট তৌরক্কদবা কয়া কিদুনা লৈরে। য়াইফ নুংঙাইবা পুরক্নবা ঈহৌ ওইনা হৌরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি খ্বাইরক্পন্দ ইমা কৈথেলগী লুচিংবী কয়াসু দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মৈতৈ/মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী...

লামায় ১গী মখা... চন্নবা থবক পায়খৎকদবনি। মসিদা খন্ননবা অতেনবা মতমদা কন্সল্টেটিভ মীটিং অমা পাঙথোক্লগনি। মৈতৈ/মীতৈ ময়াম, ক্লব, পুম্নমক্না খোঙজং অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

ইলিজাবেঠ মর্দর কেসকী প্রোজিক্যুসন ষ্টোরি সবমিসনগী মতম য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): ক্বাকৈথেলগী লিটুল ফ্লৱার স্কুলদা তম্লম্বী বেবি লুংনিলা ইলিজাবেঠপুরেন্সমগীদমক ফারগা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফ্রেম তৌরকপা চার্জশীটতা য়ুম্ফম ওইদুনা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা অমুক হন্না চৎথরকখিবা সী বি আইগী কাউন্সেলনা প্রোজিক্যুসন ষ্টোরি সবমিসন তৌবগী থবক মখা তানা থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোক্নবা য়ৈথোকখ্রে।

কোর্ট অসিনা হান্না লেপখিবগী মতুংইন্না সী বি আইগী মায়কৈদা লেপ্লিবা স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগী কেসকী প্রোজিক্যুসন ষ্টোরি সবমিসন তৌবগী থবক থা অসিগী ১০দগী হৌরক্লগা ১১ অমসুং ঙসি ফাওবদা নুমীৎ হুম্নী চথুগদবনি। অদুবু মমাঙগী নুমীৎশিংদা শিল্পা লেপ্পগী খোঙজং অমসুং টোটেল সটদাউনগী প্রোটেষ্টশিং লৈখিবনা মরম ওইদুনা পাঙথোকপদা খুদোংচাখিদে। অদুগা ঙসিগী ওইনদি কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর লাক্তবদগী মখা তাবা প্রোজিক্যুসন ষ্টোরি সবমিসনগী থবক অসি থা অসিগী ১২ দা মখা তানা পাঙথোক্নবা লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিদা এক্যুইজশিংনা চার্জ তৌরিবা মীওই অহুমগী মনুংদা থোকচোম নন্দো এলিয়স ননাওনা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তগী নাম্থোক্নুনা চেনখ্রগা জেমস কুকি এলিয়স লেটখোসৈ হাওকিপনা হৌজিক ফাওবদা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লক্লিবনি। অদুগা নিঙোম্বম রোমেন মৈতৈনা কেস অসিদগী বেলদা লৈরক্লিবনি।

ফাজিল্লুবা এমসুগী থৌমী ৪ পুলিসনা...

লামায় ১গী মখা... রোদ তখেল্লম্বম লৈকাইনি। পুলিসনা মখোয়গী মথক্তা রেজিষ্টর তৌবা কেসতগী কোর্টনা দিসচার্জ তৌরগা থাদোকখ্রবা এমসুগী থৌমী মরিসিগী মনুংদা বিজান্দো, বোধে অমসুং রনাজিৎনা থা অসিগী ৯গী নুমিদাংদা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসু হেদ ক্বার্টরসতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল-ও) অমসুং এদিসনেল এস পি (ওপস)কী সুপরভিজন মখাদা চথুখিবা রোদতা ফাগৎখিবনি। অদুগা ব্রুস পেবমনা ফাজিনখিবা মখোয় অহুম্বু পুলিস ষ্টেসনদা উনবা চৎলুবদা থা অসিগী ১০দা ফাজিনখিবনি।

ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা মখোয়গী মথক্তা সু-মোটো কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ২৫৩ (১২) ২০১৯নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ১৪৭/ ১৪৮/ ১৪৯/ ১৮৮/ ৩৫৩/ ৪৩৬/ ৫০৬ অমসুং ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্ট এক্টকী সেক্সন ৭কী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসনা কেস অসিগা মরী লৈননা ফারবা মখোয় মরিমক থা অসিগী ১০ অমসুং ১১দা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোল্লগা ঙসি ফাওবদা নুমীৎ ৪নি অমসুং ৩নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরদুনা থমজিল্লকখিবনি। পুলিসনা মখোয়গী মথক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লোক সভাদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি)গী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মায়োক্তা এমসুগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম থোইবা মৈতৈগী ৱারোল অমা ফোঙদোক্লুবা অমসুং নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)না কৌখিবা বন্দদা কন্সটিট্যুএন্ট বোদি অমা ওইনা শরুক য়াবগী চার্জ তৌখিবনি।

অদুবু ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোয়রদুনা মখোয়বু কোর্টতা পুথোরকপদা পুলিসনা ফাইনেল রিপোর্ট (এফ আর) অমা থাগৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা তৌরুরিবা চার্জশিং অসিগী মতীক চাবা ইভিদেন্সশিং ফংবা ঙমদ্রে। মখোয়বু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌবীরো হায়দুনা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

কোর্টনা পুলিসকী প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীরদুনা এমসুগী থৌমী মরিসি কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌরগা থাদোকখিবনি।

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE
DAILY JUNIOR CLASSES (V TO IX) FROM 12TH DEC. 2019
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
7005622203, 7005776944, 7005665814
English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
TSE/D-8M
HL-B/5792/9,10,12...